m AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

# AIDS হায়বসি করিনো?

Fact Sheet Number 101

## "AIDS" হায়রগা করিবু খংনবগে?

AIDS হায়বদি Acquired Immune Deficiency Syndrome হায়বনি।

- *Acquired* হায়বদি অতোপ্পদগী লৌরকপা অমসুং মসিনা নহাকপু নাহনবা ঙম্বা হায়বনি।
- *Immune Deficiency* হায়বদি হকচাংনা লাইনা-তিন্না থেংনবগী শক্তি শোনথরকপা হায়বনি।
- *Syndrome* হায়বদি লায়না অমদা থেংনবা হকচাংদা নুংঙাইতবা অমদি অয়েৎপা কয়া অমা।

AIDS হায়বসি HIV (Human Immunodeficiency Virus) হায়বা ভাইরস অসিনা থোকহনবনি। নঙোন্দা HIV চংলবদি মদু থেংন্নবা নহাক্কী হকচাংনা হোৎন্নগনি। "Antibodies" হায়না খংনবা অখন্নবা পোৎশকশিং শাদুনা HIV বু থেংনগনি।

HIV গীদমক ঈ টেষ্ট তৌবদা খংন্নবা হোৎন্নরিবসি antibodies শিং অসি য়াওব্রা হায়বদু য়েংবনি। মখোয়শিং অদু নহাক্কী ঈ দা য়াওরবদি HIV না নারে হায়বনি। HIV গী antibodies শিং য়াওরবা মীবু ঐখোয়না "HIV-Positive" ওইরে হায়গনি। Fact Sheet ১০২ দা HIV টেষ্টকী মতাংদা হেন্না অকুপ্পা মরোল য়াওরি।

HIV-Positive ওইবা নত্রগনা HIV না নাবা হায়বসিগা AIDS হায়বসিগা মান্নদে। মীওই কয়া অমা HIV-Positive ওইজরবসু নাদ-য়েক্তনা চহি কয়া অমা লৈবা য়াই। HIV না ঐখোয়গী হকচাংনা লায়না-তিন্নাদগী ঙাকথোকচবগী শক্তিবু তপ্পা-তপ্পা মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। ঐখোয়গী হকচাংদা থোইদোক্পা অনা-অয়েক থোকহনবা ঙমদবা মহিক-মতাং (Viruses, parasites, fungi অমসুং bacteria) শিংনা ঐখোয়গী হকচাংগী ঙাকথোকচবগী শক্তি শোল্লবদি কন্না নাহনবা ঙমই। মতৌ অসুম্না নারকপা লায়নাশিংবু ঐখোয়না "opportunistic infections" হায়না কোই। মতাং অসিদা ঐখোয়না নিংথিজনা লায়েংথোক্রবদি হকচাংগী ঙাকথোকচবগী শক্তিবু মপাঙ্গল হাপলিবা CD4 cell শিং অসি মশিং তপ্পা তপ্পা হন্থহল্লি। করিগুম্বা মতাং অমদা CD4 cell মশিং অসুম অসুম হন্থরক্তুনা ঈ মিলিলিটর অমদা CD4 cell ২০০ নত্রগা ২০০গী মখাদা হন্থরকলবদি মদুবু ঐখোয়না AIDS হায়না খংনৈ। Opportunistic infection শিংগী মতাংদা Fact Sheet ৫০০ য়েংবিয়ু।

## করম্না AIDS ওইরকপগে?

AIDS হায়বসি করিগুম্বা অমদগী "লৌরকপা" নত্তে। নহাক HIV না নাবদগী কোন্না AIDS ওইরকপা য়াই। HIV না নারবা মীওই অমদগী নঙোন্দা HIV লৌনরকপা য়াই অদুবু মীশক অদু য়েংবদা অনা-অয়েক য়াওদবা মানবা য়াই অমসুং HIV টেষ্ট তৌবদা HIV Positive ওইদবসু য়াই। মীওইবগী ঈ, নুপীগী ফিনুংগী কয়াৎতগী থোকলকপা মহি মনাই, নিপাগী ফম্বীগা লোইনরকপা মহি মনাই অমসুং HIV না নারবা নুপীগী খোমদা HIV মরাং কায়না য়াওই অমসুং মসিনা অতোপ্পা মী অমদা HIV শন্দোকপা ঙমই। মখাদা পীরিবশিং অসিদগী মীওই অমদা HIV চংলকপা য়াইঃ

- HIV না নারবা মীওই অমগা কোন্দোম শীজিন্নদনা হক্তিন্নবা।
- HIV না নারবা মীওই অমদা কাপলুবা HIV য়াওরবা য়েতুম শীজিন্নরুবদগী (drug নচিংবা কাপমিন্নরুবদগী)।
- HIV না নারবা মামা অমদগী মচাদা - পোকপা মতমদা নত্রগা খোম পীথকপদা।

HIV য়াওবা ঈ কাপ্পুবদগী লৌনরকপাসু য়াওই অদুবু হৌজিক্তি কাপকদৌরিবা ঈ খুদিংমক চেকশিন্না টেষ্ট তৌদুনা য়েংবা মরমনা লৌনরকপগী চাংসি অদুক্কী মতিক নেমই।

মীওইবগী পি নত্রগা তিন দগী HIV লৌনরকপদি থেংনদ্রি অদুবু চিন্দা হক্তিন্নবা অমসুং চিন-চিন চুপ্পবদগী লৌনবসু য়াই। তাংনা থোক্লবসু চিন-লৈদা চাথৎপা লৈরবদি নত্রগা য়ারি-য়াখোং ঈ থোক্লবদি চুপ্পবদা HIV লৌনরকপা য়াই। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাদা পীরিবা Fact Sheet শিং অসিদা য়েংউঃ

- 150: Stopping the Spread of HIV
- 151: Safe Sex Guidelines
- 152: How Risky is it?

NACO গী মতুং ইন্না ইং ২০০৬ তা ভারত্তা মীওই ২০,৪৭,০০০ HIV গা লোইন্ননা হিংলি। মসিগী চাদা মরিদি (৪%) অঙাংনি, চাদা নিপালনা (৮%) চহি ৪৯ গী মথক্কী মীওইনী অদুগা লেমহৌরিবা চাদা মরিফুতরানিপাল (৮৮%) অসিনা চহি ১৫ দগী ৪৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি। দ্রগ কাপ্পা মীওইশিং (IDU), নিপা-নিপা হক্তিন্নবশিং (MSM), মশা য়োন্দুনা হিংবা নুপীশিং (FSW), লম শাংনা গারী থৌবা দ্রাইভরশিং অমসুং অতে মীয়ামদা HIV নাবগী চাং অসি মথংশিংনা ৮.৭%, ৫.৭%, ৫.৪%, ২.৪% অমসুং ০.৩% নি।

A Project of the New Mexico AIDS Education and Training Centre. Partially funded by the National Library of Medicine
Fact Sheets can be downloaded from the Internet at Http://www.aidsinfonet.org

হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক www.nacoonline.org দা য়েংবীয়ু।

### HIV positive ওইরবদি ঐঙোন্দা করি থোক্ককনি?

নহাক্কী হকচাংদা HIV য়াওরে হায়বা খংদবা য়াই। মীওই খরদি লাইহৌ হৌবা, কোক চিকপা, লূ-তাং নাবা, পুক নাবা, lymph gland চাউথোকপা নত্রগা HIV চংলবা মতুং নুমিৎ খরনি নত্তগা চয়োল অমগী মনুংদা উনশাদা চাথৎপনচিংবা থেংনবা য়াই। অদুবু মসি মী অয়াম্বনা common flu নি হায়না লৌই। মীওই খরদনা লাইওংশিংশি থেংনদে। Fact Sheet ১০৩ দা HIV চংলবা মতুং ঙল্লিঙৈ মতমদা থেংনবা লাইওং অমসুং রাফমশিং য়াওরি।

নহাক্কী হকচাংনা মহিক মতাংদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বে অমদি শক্তি শিজিন্নদ্রিঙৈ চয়োল নত্রগা থা খরা HIV না নহাক্কী হকচাং মনুংদা মচা কয়া পোকথোক্কনি। মতম অসিদা নহাক অতোপ্পা মীওই অমদা HIV শন্দোকপা ঙমলবসু, HIV গী টেষ্ট তৌবদদি positive ওইরোই।

নহাক্কী হকচাংনা HIV থেংন্নবা হোৎন্নরকপা মতমদদি HIV থেংন্নবা antibody কয়া শাবা হৌরকই। মতাং অসিদদি নহাক HIV টেষ্ট তৌবদা HIV positive ওইগনি। Flu গুম্বা লাইওং অসি থেংনরবা মতুংদা মীওই খরদি চহি তরা নত্রগা মসিদগী হেন্না শাংনা মশা-মউ ফনা লৈ। অদুবু হায়রিবা মতম অসিদা HIV না নহাক্কী হকচাংগী লায়না-তিন্না ঙাকথোকপগী শক্তি অদুদি তপ্না-তপ্না মাংহল্লকই।

মশা-মউ ফবা মীওই অমগী ঈ মিলিলিটর অমদা CD4 cell ৫০০ দগী ১,৫০০ ফাওবা য়াওই। Fact Sheet ১২৪ দা CD4 cell গী অকুপ্পা মরোল পীরি।

লায়েংদনা লৈরবদি নহাক্কী CD4 cell মশিং হন্থরক্কনি। লাইহৌ, নুমিদাংদা হুমাং কাংবা, খোং হাম্বা নত্রগা lymph node শিং চাওথোকপনচিংবা হৌরকপা য়াই। নহাক HIV না নারবদি হায়রিবা লাইওংশিং অসি নুমিৎ কয়ানি অমসুং চয়োল কয়া শাংথনা নাবা য়াই।

### ঐ AIDS ওইরে হায়বা করম খংগনি?

নহাক্কী হকচাংনা লায়না-তিন্নাদগী ঙাকথোকপগী শক্তি অসি য়াম্না শোনজিল্লকলবদি নহাক AIDS ওইরে হায়না লৌবা য়ারে। নহাক্কী CD4 cell গী মশিং ঈ মিলিলিটর অমদা ২০০ গী মখাদা লৈরবা নত্রগা CD4 মশিং চাদা তরামরি (১৪%) গী মখাদা লৈরবদি নহাক AIDS ওইরে। Fact Sheet ১২৪ দা CD4 cell গী অকুপ্পা মরোল পীরি। নহাক করিগুম্বা Opportunistic Infection অমনা নারবদি AIDS ওইরে। Centers for Disease Control (CDC) না শেম্বা Opportunistic Infection শিংগী লিসট অমা লৈ। তোয়না থেংনবশিং অদু মখাদা পীরিঃ

- ♦ PCP (Pneumocystis pneumonia), থবোম্বীগী লায়না; Fact Sheet ৫১৫ য়েংউ।
- ♦ KS (Kaposi’s sarcoma), উনশাগী কেন্সর মখল অমা; Fact Sheet ৫১১ য়েংউ।
- ♦ CMV (Cytomegalovirus), মরু ওইনা মীৎতা নাবা লায়না অমা; Fact Sheet ৫০৪ য়েংউ।
- ♦ Candida, ফঙ্গসনা থোকহনবা লায়না অমা। মসিনা চিল-লৈ চাথৎহল্লি (চিন্দা অঙৌবা কুরাংবাল অমনা কুপশিল্লি) নত্রগনা খৌনাও/নুপীগী ফিনুংগী কয়াৎতা নাহল্লি; Fact Sheet ৫০১ য়েংউ।

AIDS কা মরী লৈনবা লায়নশিং অতৈদি হকচাংগী অরুম্বা শাথিনা হন্থবা, থোপকী tumor অমসুং অতোপ্পা লায়নশিংনি। লায়েংহৌদ্রবদি হায়রিবা Opportunistic Infection শিং অসিনা নহাক্কী পুন্সি মাংহন্না য়াই। WHO Staging গীদমক NACO ART guidelines য়েংউ।
http:/www.nacoonline.org/Quick Links/ Publication/Treatment Care Support/ Operational Technical guidelines and policies/ Operational Guidelines for ART Centers

AIDS নাবগী মওং অসি মীওই অমগা অমগা খেৎনৈ। মীওই খরদি AIDS ওইরবা মতুং থা খর লৈরগা শি, খরা অমনা চহি কয়া অমা থোইদোকপা হকচাংগী অনা-অয়েক য়াওদনা লৈ। HIV positive ওইরবা মীওই খরা অমদি চহি কয়া অমা Antiretroviral হিদাকশিং (ARV) চাদনা মশা-মউ ফনা লৈবা ঙমই। ঙন্না HIV positive ওই নত্রগা ওইদে খংদোকহৌবনা পুন্সি নুংশাংনা লৈহনবা ঙমগনি।

### AIDS কোকহনবা ঙম্রা?

AIDS কোকহনবা ঙমদে। অদুবু HIV মচা পোকথোকপা তপথহন্না অমসুং হকচাংগী ঙাকথোকপগী শক্তি শোন্থহন্দনবা হিদাক্তি লৈ।

মীওইবগী হকচাংদগী HIV পুমলৌ লৌথোক্নবা পাম্বে অমা লৈতে। Opportunistic Infection শিংদগী ঙাকথোক্নবা নত্রগা মখোয়বু লায়েংনবা হিদাক কয়া অমা লৈ। অয়াম্বা মতমদা হায়রিবা হিদাকশিং অসিনা ফজনা লায়েংবা ঙমই। অনৌবা, হেন্না মপাঙ্গল কন্বা ARV শিজিন্নদুনা CD4 মশিং হেনঙ্গৎহনবা ঙমই। মসিনা Opportunistic Infection শিং তোয়না থোকহন্দনবা পাম্বে অমা ওই। অদুম ওইনমক Opportunistic Infection খরা অমদি হৌজিক ফাওবদা লায়েংবদা য়াম্না রারি। Opportunistic Infection শিংগী অকুপ্পা মরোলগীদমক Fact Sheet ৫০০ য়েংউ।

**Reviewed September 28, 2007**